
# মহাগথবন্ধন–করপ অমসুং স্কামশিংগী এলায়েন্সনিঃ মোদি

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২০ঃ***

কোলকতাদা ওপোজিসনগী মপাঙ্গল উৎখিবগী হেক নোংঙানবা, ঙসি নোংঙাইজিং নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখোয়গী মহাগথবন্ধন অদু করপ, স্কাম, নেগেটিভিটি অমসুং ইনষ্টেবিলিটিগী এলায়েন্স অমনি হায়না করেমনখ্রে।

মহারাষ্ট্র অমসুং গোৱাদা মাগী পার্টি ৱার্কররশিংদা ৱাঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ওপোজিসন পার্টিশিংনা মখোয় অমগা–অমগা এলায়েন্স অমা শেমখিরম্বা য়াই, অদুমওইনমক ঐগী পার্টিনা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১২৫গা এলায়েন্স অমা হান্ননা তৌনখ্রে।

নখোয়না করম্বা এলায়েন্সনা হেন্না কল্লি হায়না খল্লি? কোলকতাগী ফম্বাক অদুদা তিনখিবা লূচীংবা অয়াম্বা শাহুম লৈরবা মীওইশিংগী মচাশিংনি নৎত্রগা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু হেন্না শাহুম লৈবা ওইহন্নবা হোৎনবশিংনি। মখোয়গী ধনশক্তি (শেলগী শক্তিঃ)নৈ অদুবু ঐখোয়গীদি জনশক্তি (মীয়ামগী শক্তিঃ) লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।



প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাফম অসি পোলিটিকেল পার্টি ২৩ হেনবগী লূচীংবশিংনা কোলকতাদা মমতা বেনরজিগী টি এম সি না শিনবা অচৌবা মীফম অমগীদমক পুনখিবা অদুগী নোংঙানবদা ফোঙদোকখিবনি। ইতিহাসিক ওইরবা ব্রিগেদ পেরেদ গ্রাউন্দ লূচীংবশিংনা ফজনা শরুক য়াখিবা 'য়ুনাইটেদ ইন্দিয়া' রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মমতা বেনরজিনা কলেক্টিব লিদরসিপ অমগীদমক অপিল তৌখিবনি।

পার্টি ৱার্কররশিংদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ওপোজিসন পার্টিনা মখোয়গী মায়থিগদৌরিবা অদুগীদমক হৌজিক্তগী হৌনা ই ভি এম (ইলেক্ট্রোনিক ভোতিং মেছিন)শিংদা বদনাম পীদুনা মখোয়গী মায়থিবা লোৎশিন্নবা হোৎনবা হৌখ্রে।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা য়ুনাইটেদ ইন্দিয়া রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংবদা নেসনেল কনফরেন্স (এন সি) চিয়ারমেন ফরুক অবদুলানা ই ভি এম শিংবু 'চোর মেছিন' হায়না কৌখি অমসুং ট্রান্সপেরেন্সি লৈনবগীদমক বেলোদ পেপর সিষ্টেমদা অমুক হঞ্জিনবা দিমান্দ তৌখি।

পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক মীখলদা মায় পাকপা পাম্বা মহৌশানি অদুবু মীয়ামবু মখূৎতা পায়দুনা হেক্তা শানবা য়াগনি হায়না পোলিটিকেল পার্টি খরনা খল্লিবদু অৱাবগী মশক্কি। মখোয়না মীয়ামবু অপঙবনি খল্লি অমসুং মচু হোঙদোক–হোংজিন তৌদুনা লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

কোলকতা মীফম অদুদা লোকতন্ত্রিক জনতা দল লূচিংবা শরত যাদবনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা কোংগ্রেস পাটিদা ৱাখল খন্থনবা খঙহনখি।

কোংগ্রেসনা মরুওইবা একুয্জ ওইরিবা বোফোরস স্কামগী মরমদা শরত যাদবনা ৱা ঙাংবা হৌরকখিবনি।

লৈবাক অসিগী অমসুং দেমোক্রেসিগী কনবিবশিং ওইনবা মখোয়না হোৎনরিবা ষ্টেজ, হায়রিবা ষ্টেজ অদুমক্তদগী লিদরশিংদুদগী অমনা বোফোরস স্কাম অদু ঐখোয়দা অমুক হন্না নীংশিংহনখি। মখোয়না কয়াম শাংনা অচুম্বদু লোৎশিন্দুনা থম্বা ঙমগদৌরিবনো। অচুম্বদু নোংমদি খঙনরক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

# সিরিয়া কোনূং দামস্কসতা বোম পোকখাইখ্রে, টেরোরিষ্ট ১ ফাখ্রে

***দামস্কস, জনুৱারী ২০ঃ***

সিরিয়াগী চহি ৮ লোমগী তমথিরবা লালদা থোক্লিবা শাথিবা হীংশাশিং থোইনা য়ৌদবা লৈবাকসিগী কোনূং দামস্কসতা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা বোম এটেক অমা চথরকখ্রে অমসুং মদুগা মরিলৈনবনি চীংনবা টেরোরিষ্ট অমা ফাখ্রে।



বৃটেনদা লৈবা ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকপদা খা থংবা দামস্কসতা লৈবা মিলিটরি ইন্টিলিজেন্স ওফিস অমগী মনাক্তা অচৌবা পোকখাইবা অমা থোকখিবদা মীওই কয়ামরুম শিখ্রে অমসুং শোকখ্রে। অদুবু ষ্টেট ন্যুজ এজেনসি এস এ এন এ না ফোঙদোকপদদি বোম পাকখাইবা অমা থোকখি অদুবু মী শিবা য়াওখিদে হায়খি।

টেরোরিষ্ট অমা ফারে অসিখক অরেপ্পা খঙলে হায়না এজেন্সি অদুনা হায়খি।

২০১১দা গভর্ণমেন্টকী ময়োক্তা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদগী ওল্লকখিবা মপূং ফাবা লালগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা তমথিবা ওপরেসন্স চথখিবা মতুংদগী লৈবাক অসিগী সিভিল ৱার মীওই ৩,৬০,০০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং মীওই লাক্ষ ১০–১০না খুজিং ওইবা মীয়াম লাঞ্জেনহনখ্রে।

করটিসনা মেজোরিটি ওইবা অৱাংথংবা সিরিয়াগী অফ্রিং সিটিদা অতোপ্পা বোম অমা ঙসি পোকখাইরকখিবদসু মীওই ৩ শিখ্রে অমসুং ৯ শোকখ্রে হায়না সিরিয়ান ওবজাভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটষ্টনা হায়খি রসিয়াদগী মরুওইবা মিলিটরিগী ঙাক্লৌ ফঙদুনা প্রেসিদেন্ট বসর অল অসাদকী ফোর্সশিংনা রিবেলশিংগী খূৎতগী সিরিয়াগী অয়াম্বা শরুক অমুকহন্না পায়শিনখ্রে অমসুং হৌজিক লৈবাকসিগী ৩ থোকপগী শরুক ২ রোম মখোয়গী মখাদা থম্বা ঙমখ্রে।

হৌখিবা চহিগী মার্চ থাদা টরকিজ ট্রুপশিং অমসুং এলাইদ রিবেল গ্রুপশিংনা থা অনীগী নোংথক অমসুং লৈখাগী এটেক চথরকপগী তূংদা করটিস ফোর্সশিংদগী আফ্রিকা রিজন অদু লৌশিনখিবনি।

পাউগী এজেনসি এ এফ পিদা সিরিয়ান ওবজাভেটরি অদুনা কেপিটেল সিটি অসিগী খাদা সেক্যুরিটি ব্রাঞ্চ অমগী মনাক্তা পোকখাইবা অদু থোকখি। মদুদা মীওই খর শিখি অমসুং শোকখি। অদুবু পূন্না কয়া শিখিবগে হায়বদু খুদক্তা খঙবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখি।

পোকখাইবা থৌদোক অদু বোম অমনরা নৎত্রগা সুইসাইট এটেক অমনরা শেঙনা খঙদ্রি হায়না লৈবাক অসিগী মনূংদা লৈবা লিখুনশিংগী নেটৱার্ক অমদগী পাউ লৌরিবা মোনিটর অদুনা হায়খি।

বোম পোকখাইবা অদুগী মতূংদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকসু থোকখি হায়রি। মীওই অমক্তা শিখিদবা চহি অমরোমগী মমাঙদা কার বোম অমা পোকখাইখিবা মতূংদগী ঙসিগী পোকখাইবা অসিনা দামসকষ্টতা অহানবা এটেক ওইরমগনি হায়না ওবজাভেটররি চীফ রমি অবদেল রহমননা হায়খি।

# য়েল্লো ভেষ্ট প্রোটেষ্টশিং চয়োল ১০ চঙশিলকপগা পেরিসতা খূৎ থোক্নরকখ্রে



***পেরিস, জনুৱারী ২০ঃ***

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোন গভর্ণমেন্টকী ময়োক্তা থঙনা–থঙননা ১০ শুবা চয়োল লোয়বগী প্রোটেষ্টশিংদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা নাপু মচুগী ফুরিৎ লিংপা হায়বদি য়েল্লো ভেষ্ট দেমোনষ্ট্রেটর লিশিঙ ৭ লোমদা পেরিস সিটি ফাওদুনা খোঙচৎ লাকপদা খূৎ থোক্নরকখ্রে।

দেমোনষ্ট্রেটরশিং অদু য়ান্না শান্তি ওইনা চৎপা উখি অদুবু পেরিসকী ইনভালিদেস দিষ্ট্রিক্টতা মায়খুম উপ্পা খরা য়াওনা দেমেনষ্টেটরশিং অদুগা পুলিসশিং অদুগা নুমিৎ য়ুংবা অথেংবদা খূৎ থোক্নবা উখি হায়না রোইটর্স টেলিভিজন রিপোর্টরশিংনা হায়খি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা পুলিস তন্না বোম্বুলা বোতলশিং অমসুং নুং লংশিনখি মদুদা পুলিসনা ৱাটর কেন্নন অমসুং টিয়ার গ্যাস কাপ্পুনা মখোয়বু ইম্থোক্নবা হোৎনখি।

ওফিসিয়েলশিংনা পেরিসতা দেমোনষ্ট্রেটর লিশিং ৭ লোম অমসুং ফ্রান্সগী মফম কয়াদা পূন্না লিশিং ২৭ লোন্না প্রোটেষ্ট চথখি হায়রি।

প্রোটেষ্টর খরানা মেক্রোন রিজাইন, মেক্রোন ফম থাদোক্লো হায়না খোল্লাও লাওখি। দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা লম্বীশিং থিঙজিনদুনা থম্বদা এক্সিদেন্টশিং থোকপদগী অয়াম্বা ওইনা শিখিবা মীওই ১০ অদু কঙহনবা ওইনা প্রোটেষ্টর খরনা অশাবা কুশিং পুখি।

ফ্রেন্স মোটোরিষ্টশিংনা মখোয়গী গারিশিংদা পুবগী মথৌ তাবা ফ্লোরেসেন্ট জেকেটশিং লিংপা য়েল্লো ভেষ্ট প্রোটেষ্টশিং অসি ফুৱেলগী টেক্সশিং ৱাংখৎলকপগী মতাংদা মমাঙগী নবেম্বর থাদগী হৌখিবনি।

প্রসিদেন্ট মেক্রোননা মীয়ামগী পেন্দবা অসি নমথবদা মতেঙ পাংনবা অমসুং মহাক্কী ইজৎ হঞ্জিহন্নবা নেসনেল দিবেট পরিং অমা চথখ্রবনি।

# বি জে পিনা মায় পাকখ্রবদি পি এম অমসুং অমিত শাহনা লৈবাক অসি মচেৎ তানা থুগাইখ্রগনিঃ অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল

***চান্দিগড়, জনুৱারী ১৩ঃ***

আম আদমি পার্টি (এ এ পি) লূচীংবা অর্বিন কেজ্রিৱালনা ঙসি হায়খ্রে, ২০১৯ জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা অমুক হন্না লৈঙাক্কী শক্তি পায়খ্রবদি মখোয়না লৈবাক অসিবু মচেৎ তানা থুগাইখ্রগনি।



চান্দিগড়দগী কিলোমিটর ১৩০ লোম লাপ্পা শঙ্গুর কৌবা পঞ্জাবকী তাওন্দ অদুদা মেদিয়াদা ৱা ঙাংবদা মিষ্টর কেজ্রিৱালনা হায়খি, করিগুম্বা মখোয়না ২০১৯ ইলেক্সনদা অমুক হন্না শক্তি পায়রক্লবদি মখোয়না লৈবাক অসি থুগাইরগনি।

লাক্লিবা লোক সভা মীসখলদা লৈবাক অসিগী মীয়ান্না বি জে পিবু মায়থিবা পীবা পাম্মি। লৈবাক অসিনা মোদি অমসুং অমিত শাহগী চহি ৫গী লৈঙাক অসি খিরে। চহি ৫ অসিদা লৈবাক অসি মখোয়না মাঙ–তাকহল্লে। মখোয়না মীয়ামগী ৱাখলদা হু চেলহল্লে হায়না দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

লৈবাক পূম্বসিনা মখোয়বু মায়থিবা পীবা পাম্লে। পার্টি পূন্নমক্কী লূচীংবশিংনা অমত্তা ওইনা পূশিনখ্রে অমসুং লাক্লিবা মীখল অসিদা মখোয়বু মায়থিবা পীনবা মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে হায়না কেজ্রিৱানা হায়খি।

দিল্লি দিপুটি চীফ মিনিষ্ট অমসুং এ এ পি পঞ্জাব ইন–চাজ মনিশ সিসোদিয়াগা লোয়ননা মিষ্টর কেজ্রিৱালনা ট্রেন তোঙদুনা শঙ্গুরদা থুঙলখি।

পঞ্জাবকী পার্টি লূচীংবশিং উন্নরবা তূংদা মিষ্টর কেজ্রিৱালনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী দমক পার্টিগী কেম্পেন হৌদোক্লবা বরনালা টউনদা লম্বীদা লাকখি।


পঞ্জাবকী লোক সভা সিট ১৩মক্তা এ এ পিনা কন্টেস তৌগনি হায়না কেজ্রিৱালনা লাওথোকখি।

এ এ পি পঞ্জাব লিদরসিপতা হায়ফেত মচেৎ তাবা লৈজরবসু লোক সভা সিট ১৩ অদু লোয়নমক এ এ পিনা কন্টেষ্ট তৌগনি। লোক সভা মীখল অসিদা বি জে পি মায়থিরগনি। মোদি লৈঙাক মীয়ান্না পামনদ্রে মীয়ান্না অহোঙবা অমা পাম্লে হায়না কেজ্রিৱালনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

এ এ পিনা ওক্তোবর থাদা লোক সভা সিট ৫গী কেন্দিদেট ৫ মমিং হান্ননা লাওথোকখ্রে। মখোয়দু শঙ্গুর, ফারিকোদ, হোসিয়ারপুর, অমৃতসর অমসুং আনন্দপুর সাহিব কীনি।

এ এ পি লিদরসিপকী মথক্তা ৱা ঙাংবগীদমক পঞ্জাবতগী এ এপী লো মেকর অনী –ধরমবিরা গান্ধী অমসুং হরিন্দর খালসা অগষ্ট ২০১৫দা পার্টিদগী সস্পেন তৌখি। হৌজিক ফাওবদা সস্পেনসন অদু লৌথোক্ত্রি। ২০১৪ ইলেক্সনদা পঞ্জাবদা এ এ পিগী লোক সভা সিট ৪ ফঙখিবনি।

# পি এম মোদিগী পোপুলারিটি কিবনা ওপোজিসন পূশিন্নবনি হায়না মনোহর লাল খত্তরনা ফোঙদোকখ্রে



***গান্ধীনগর, জনুৱারী ২০ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীয়ান্না য়ান্নরিবা অসি উবদা কিবদগী ওপোজিসন পার্টিশিংনা পূশিন্নবনি। অদুবু মখোয়না পূশিন্নরিবনি হায়রিবসি করিসু তুঙকোইরোই হায়না হরিয়ানা চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খত্তরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ভাইব্রেন্ট গুজরাত গ্লোবেল সমিটকী ৯শুবা এদিসনগী শরুক অমা ওইনা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা শিন্দুনা পাংথোকখিবা ইনভেষ্টমেন্ট ওপোরচুনিটিজগী সেমিনর অমগী নাকনদা চীফ মিনিষ্টর খত্তরনা ৱা ঙাংবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মসি (ওপোজিসন)গী অপূনবা অসি মতম কুইনা চৎলোই। নরেন্দ্র মোদিগী মীয়ান্না য়ানরিবা অমসুং মালেমগী মনূংদা লৈবাকসিগী ফিভম ফগৎলক্লিবা অসি কিবদগী মখোয়না পূশিন্নবনি। মসিনা মীয়ামদা করিসু খেন্নবা পীবা ঙল্লোই হায়না মিষ্টর খত্তরনা হায়খি।

মখোয়না চহি কয়ামরুম লৈবাক অসিবুদি লূৎ তৌখ্রে। লৈবাক অসিবু লূৎ তৌনবা তাঞ্জা অদু ফঙদবদগী মখোয় পূশিন্নবনি হায়খি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা কোলকতাগী ব্রিগেদ পেরেদ গ্রাউন্দদা পাংথোকখিবা য়ুনাইটেদ ইন্দিয়া রেলি মমিংথোনবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা লূচীংবা অচৌবা ওপোজিসন রেল্লি অদুগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাফম অমদা হরিয়ানা চীফ মিনিষ্টর অসিনা পাউখুম পীখিবনি।

মখোয়গী অপূনবা অসিদা য়াওরিবা পার্টিশিং লোয়নমক্না য়ানবা লূচীংবা অমা লৈতবা অদুদসু ওপোজিসন পার্টিশিং অদুবু মহাক্না নোক্নখি অমসুং মখোয়গী অসিদি লুহোংবগী বোর অমা য়াওদবা লুহোং–খোঙচৎ অমনি হায়খি।

# অপর্না কুমারনা সাউথ পোল য়ৌবা অহানবা নুপী আই পি এস ওফিসার ওইরে



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২০ঃ***

সাউথ পোল এক্সপেদিসন মপূং ফানা মায় পাক্না লোয়শিনবা ঙন্বদা অপর্না কুমারনা অহানবা নুপী আই পি এস, দি আই জি অমসুং ইন্দে–টিবেতান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) ওফিসার ওইরে।

কিলোগ্রাম ৩৫ লূম্বা ইক্যুপমেন্ট পুদুনা উন মথক্তা খোঙনা কিলোমিটর ১১১ চৎতুনা মহাক্না সাউথ পোল য়ৌখিবনি। জনুৱারি ১১দা মহাক্না সাউথ পোলদা থুঙখি অমসুং নেসনেল অমসুং আই টি বি পি ফিরালশিং য়ুঙখি। মহাক ২০০২ বেটচকী য়ু পি কেদর আই পি এস ওফিসারনি।

# অপিকপা ইন্দিয়ান ষ্টেটনা খ্বাইদগী চাওবা এস্যুওর্দ ইনকম এক্সপরিমেন্ট অমা তৌগদৌরিঃ ফোরেন মেদিয়া

***গেংতোক, জনুৱারী ২০ঃ***

হিমালয়া চীংশাং পরেংগী অৱাংবদা লৈরিবা সিক্কিমনা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী পীবা ষ্টেটশিংগী মনূংদা অমনি অদুবু ষ্টেট অসিনা মালেমদা পূক্লিং চীংশিন্নিঙাই ওইরবা মখলগী এক্সপরিমেন্ট অমা পাংথোক্লবা হোৎনগদৌরি।



সিক্কিমগী লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা সিটিজন ৬,১০,৫৭৭ অসিগী মী খুদিংমক্তা য়ুনির্ভসেল বেসিক ইঙ্কম অমা থবক ওইনা পাংথোক্লবা অশা চাওরবা থৌরাং অমা লাওথোকখ্রে।

করিগুম্বা মায় পাক্লবদি স্কিম অসিনা মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী চাওবা চাংয়েঙ অদু ওইগদৌরি। ফেষ্টবুক্কী মার্ক জুকেরবর্গকুম্বা সপোর্টরশিংনা মসি সেপ্টি নেট অমা পীবা ঙমগদবা, লাইরবা কোকহনবদা মতেঙ ওইগদবা অমসুং জোব ওতোমেসনগী শীংনবা কোকহনগদবা অমনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুনি।

সিটিজনশিংদা য়ুনিভসেল বেসিক ইনকম অমা হায়রিবসি গভর্ণমেন্ট অদুনা মীয়ামদা চাং নাইবা, গেরেন্টিদ ইনকম অমা পীবা অদুনি। মসি য়ানিংদবশিংনা ফোঙদোক্লিবদি স্কিম অসিনা থবক শুনিংবা হন্থহনগনি অমসুং অচৌবা শেনফম তিঙহনগনি হায়রি।

মালেমগী মফম অমদা করিগুম্বা মসি থোকপা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈবা তারবদি মদু সিক্কিমনি হায়না ষ্টেট অসিদগী ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা অমত্তা ঙাইরবা মেম্বর পি দি রাইনা হায়খি।

হান্ননা সিক্কিমগী খুমাং চাওশিনবগী রেকোর্দ লৈ ১৯৯৮তগী হৌনা প্লাষ্টিক বেকশিং অথিংবা থম্বা অহানবা ইন্দিয়ান ষ্টেট অদু সিক্কিমনি।

সিটিজন পূন্নমকীদমকসু য়ূম শাবীখি অদুগা হন্দক্ততসু ষ্টেট অসিনা অহানবা ওর্গানিক ষ্টেট ওইখ্রে।


মসিদা শীংনবশিং থেংনগনি হায়বদু ষ্টেট অসিদগী লোক সভা মেম্বর ওইরিবা পি দি রাইনা য়াখি অদুবু মসি পোলিটিকেলগী অচেৎপা অনীংবগী ৱাফমনি হায়খি। টুরিজম অমসুং পৱার সেক্টরশিংদগী রিছোসশিং হেনগৎন্নবা হোৎনগনি চহি খুদিংগী ষ্টেট অসিদা টুরিষ্ট লাক্ষ ২৫ লাক্লি। পৱার হেন্না পুথোকপা ষ্টেট অমা ওইবনা সিক্কিমনা মসিগী হায়দ্রো পৱারগী চাদা ৯০ য়োল্লি। ২০২২ ফাওবদা স্কিম অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা য়াই হায়রি।

# ধাকা কেফে এটেককি সস্পেক ফাখ্রে

***ধাকা, জনুৱারী ২০ঃ***

চহি ১৯তা ঙাইরিবী ইন্দিয়ান লৈশাবী অমা য়াওনা মীওই ২২ শিখিবা ধাকাগী হোলি অরটিসান বেক্করিদা জুলাই ১, ২০১৬দা এটেক তৌখিবা মিলিটেন্দশিংদা শেল অমসুং খূৎসু–খূৎলাই পীবনি চীংনরিবা মমুনুর রসিট রিপোন ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। ইসলামিষ্ট এক্টিভিষ্ট অসি ঙসি নুংথিল পূং ১ রোম তাবদা বস অমদগী ফাবনি হায়রি।

# মালেমগী খ্বাইদগী অহল মসাজো নোনাকা চহি ১১৩ শুবদা লৈখিদ্রে



***তোকিও, জনুৱারী ২০ঃ***

রাইট মচিন–মনাওনা মীওইবা জাতিগী ইহান হানবা পৱার ফ্লাইট পায়খিবা অদুগী সুপ্নগী চহি ২গী তূংদা পোকখিব, মালেমগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীওই মসাজো নোনাকা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা মশাগী চহি ১১৩ শুবদা লৈখিদ্রে হায়না জপানিজ মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

গিনেস ৱার্ল্ড রেকোর্দসকী মনূং ইন্না অলবর্ট আইনষ্টাইননা মাগী স্পিসিয়েল থিওরি ওফ রিলেটিভিটি ফোঙগদবা সুপ্নগী থা খরগী মমাঙদা জুলাই ১৯০৫তা নোনাকা পোকখি।

হৌখিবা চহিদা স্পেনিয়ার্দ ফ্রান্সস্কো নুনেজ ওলিভেরা লৈখিদবগী তূংদা নোনাকাবু হিংলিবা খ্বাইদগী অহল ওইবা মীওই ওইনা গিনেসতা ওফিসিয়েল ওইনা শকখই।

জাপানদা মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী পূন্সিবা মীওই কয়ামরুম লৈ। মখোয়গী মনূংদা জুন ২০১৩দা ১১৬ শুবা মপোক নুমিৎকী মতুং থুনমক লৈখিদবা রেকোর্দতা খ্বাইদগী শাংনা হিংবা মীওই ওইখিবা জিরো মোন কিমুরা য়াওরি।

গিনেসকী মনূংইন্না ভেরিফাইদ তৌরবা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীওই অদু মশাগী চহি ১২২ শুবা ১৯৯৭দা শিখিবা ফ্রান্সকী জিন লুইস কালমেন্টনি।

# সাউদি অরাবিয়ানা লূচীংবা কোলিসননা য়েমেনগী কোনূংদা নোংথক্তগী লান্দাখ্রে

***এদেন, জনুৱারী ২০ঃ***

সাউদি অরাবিয়াননা লূচীংবা কোলিসননা ঙরাং নুমিদাং হৌথি রিবেলনা পায়রিবা য়েমেনগী কোনূং সানাআদা নোংথক্তগী এটেক কয়ামরুম তৌদুনা লান্দাখ্রে। কোলিসনগী লানগী প্লেনশিংনা দ্রোন্স ওপরেসন্স নেটৱাক অমা অমসুং মিলিটরি ট্রেনিং কেম্পশিং লোয়ননা দুলাইমি এয়ার বেজ য়াওনা মিলিটরি টার্গেদ কয়ামরুমদা লান্দাখি হায়না সাউদিনা মপু ওইবা অল অরাবীয়া টেলিভিজনদা হায়খি।



হাউথিনা চল্লাইবা অল–মসিরহ টিভিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা নোংচুপ্পা শৌগৎপা কোলিস অদুনা এয়ার বেজ অদুগী মথক্তা এটেক ৪ য়াওনা ঙরাং থাংজগী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা কোনূং অসিগী মথক্তা নোংথক্তগী এটেক ২৪ চথরকখি হায়খি।

প্লাষ্টিক্স ফেক্টরিগুম্বা মিলিটরি মফম নৎতবা অতৈদসু এটেক তৌরকখি হায়রি। মীওই লিশিং কয়া শিখ্রবা চহি ৪ রোম শুরক্লবা লান অসি লোয়শিন্নবগী পান্দমদা য়ু এন না স্পোনসর তৌদুনা থা অসিদা অনীশুবা তাঙ্ককী ৱারী শানগদৌরিবা অদু পাংথোকপদা খূৎ থোক্লবা হেনগৎলকপা অসিনা চিংনবা পোকহনখ্রে।

য়েমেন গভর্ণমেন্টকী মিলিটরি পেরেদ অমদা হৌখিবা চয়োলদা হৌথি দ্রোন এটেক অমনা মীশি – মীনা চাওনা থোকহনখিবা অদুগী মখা তারকপদা খূৎ থোক্লবা হেনগৎলকখিবনি।

২০১৪দা সাউদিনা শৌগৎপা অবদরবু মানসুর হাদিগী গভর্ণমেন্ট অদু সানাআদগী তানথোকখিবনি। গভর্ণমেন্ট অদুগী মথক্তা ইরাননা শৌগৎলিবা হাউথি মুভমেন্টকী লালহৌ অসিনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা লূচীংবা সুন্নি মুস্লিম কোলিসননা লান অসিদা খূৎ থিঙজিলকখিবনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শাথিনা চাক লাম্বা ময়োক্লরিবা য়েমেনি মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী হীংনফম লম্বী অমা ওইরিবা মরুওইবা হিথাংফম সিটি হোদৈদাদা সিজফয়ার অমসুং লান্মী লৌথোক্লবগী এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্লবা হোৎনরিবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-20**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 4 | 1 | 6 | | | |
| | 6 | | | 3 | | 8 | 9 | |
| | | 3 | 9 | | | 6 | 2 | |
| | | 4 | | | 9 | 3 | | 6 |
| 9 | | 6 | | 4 | | 2 | | |
| 1 | 3 | | 7 | | | | 4 | |
| | | 1 | 6 | | 4 | | | 8 |
| 6 | 4 | | | | 3 | | | |
| 7 | 9 | | | | 2 | | | 3 |

**সনা–সুদোকু –১৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 7 | 4 | 5 | 8 | 1 | 3 | 9 |
| 5 | 8 | 4 | 1 | 3 | 9 | 6 | 2 | 7 |
| 3 | 9 | 1 | 7 | 2 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 2 | 4 | 8 | 6 | 9 | 7 | 3 | 5 | 1 |
| 7 | 5 | 3 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 4 |
| 1 | 6 | 9 | 5 | 4 | 3 | 7 | 8 | 2 |
| 8 | 3 | 5 | 9 | 7 | 2 | 4 | 1 | 6 |
| 4 | 7 | 6 | 8 | 1 | 5 | 2 | 9 | 3 |
| 9 | 1 | 2 | 3 | 6 | 4 | 8 | 7 | 5 |

## GAS TODAY

**R & H Indane**
Booking : 14/12/18
Valid : 29/11/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 14/01/19
Valid : 01/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 17/01/19
Valid : 13/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 15/12/18
Valid : 05/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 11/12/18
Valid : 08/12/18
Stk : 306

**Misao Gas Service**
Booking : 20/12/18
Valid : 24/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 05/01/19
Sl. No. : 200
Valid : 26/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Asangbi Gas, Sugnu**
Booking : 22/11/18
Valid : 17/11/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 05/12/18
Valid : 21/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.